AWARENESS PROGRAMME

হেন্দিকেপ দিভেলপমেন্ট ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা লাক্লিবা মীখল অসিদা পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজ শিংনা শরুক য়াবগী মরুওইবা অমদি মখোয়গী রাইটকী মতাংদা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা দান্স কোলেজদা পাঙথোকখিবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম

কাইন্দনেস মণিপুরনা শীন্দুনা লাংজিং অচৌবদা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরমদা দেজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবশিং

ইন্দিগো ফ্লাইটতা লম্লক্কী শা অয়াইবা পুননবা হোৎনরম্বী নুপী অনী শা অয়াইবা কে জি ৩.২গা কোন্ননা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী ইন্দিগোগী কার্গো ষ্টাফশিংনা ফাগৎলবা মতুংদা সেন্ট্রেল ফোরেষ্টকী ষ্টাফশিংদা খুৎশিন্নখিবা

CONSULTATION ON
CLIMATE CHANGE IN MA
& COP26

য়ুথস ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস মণিপুর অমসুং সেন্টর ফোর রিছার্স এন্দ এদভোকেসি মণিপুরনা শীন্দুনা ক্লাইমেট চেঞ্জ ইন মণিপুর এন্দ সী ও পি ২৬ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম

হেল্থ দিপার্টমেন্টনা সাইন্টিফিক ওইনা নৈনদুনা মীয়ামদা করম্বা এদভাইস পীবা য়াই হায়বদু শেম-শাবগী তঙাইফদবা লৈ : এম এস এফ

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা এসেম্বলী মীখল অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা য়াম্না সাইন্টিফিক ওইনা নৈনদুনা মীয়ামদা করি করম্বা এদভাইস পীবা য়াই হায়বদু শেম-শাবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি মেলেম বিজুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০১৯দগী মালেমদা লান্দারক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিনা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী অনৌবা রিপোর্টকী মতুংইন্না মীওই ক্রোর ২৫ হেন্না লৈখিদ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা মীওই লাখ ৪.৫ হেন্না অশিবগী খয়াৎতা তাহনবদা নত্তনা পোজিটিভকী মশীংসু কা হেন্না হন্থবা ওইদ্রি। মসিদসু নত্তনা মণিপুরগী ওইনসু নবেম্বর ৭ ফাওবগী দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসনা পীবা রিপোর্টকী মতুংইন্না মীওই ১৯৩৪ লৈখিদ্রে। লায়না লাইচৎ অসি ঐখোয় পুন্না অমত্তা খুৎশম্ননা লাঙ্গেংমিন্নবা হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্কী শোয়ফদ্রবা থৌদাংনি। পেন্দমিক অসিনা মালেমগী মফম পুম্বদা অহানবা ৰেভ, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা ৰেভ হায়না চথরকপদা নত্তনা হৌজিক য়াম্না হেন্না মীপায়নিংঙাই ওইরিবদি অনৌবা ভেরিয়ন্ট মখল খরা অমুক নৌনা শাফোঙলক্তুনা কোভিদকী তমথিরবা শক্লোন উৎলক্লি। লোয়ননা লায়না অসি মালেমদগী মুৎখ্রে হায়না অখঙ-অহে, মরী লৈনবা লোয়শঙ নৎত্রগা লৈঙাক্লা লাউথোকপসু লৈত্রি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিকমক্কী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে হায়ববু লাইচৎ অসিদগী কঞ্জননবা ভেক্সিন কাপথোকপা অমদি এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী লৈত্রি। পেন্দমিক অসিনা ইরমদম অসিগী মমল য়াল্লবা মীওইবগী পুন্সি কয়া খাঙুথক্তা পীখম্নহনখিবতা নত্তনা মহৌশাগী লৈরম্বা ফীভম কয়াসু হোংহল্লক্লিবনি। মপুং ওইনা মহে-মশিন তম্বা, পোলিটিকেল অমদি ইকনমিগী ফীভমদা চাউনা চৈথেং পীদুনা মীওইবগী খুন্নাইদা অৰাবা কয়া পীরি। ফীভম অসি ইরমদম মণিপুরদনা হেন্না শোক্লিবনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতগী শেল খরা থাদোরকপা নত্তনা মণিপুরগী ইকনমি রিছোর্স লৈতবনা হেন্না অৰাবা মায়োক্নরি হায়বসি এম এস এফনা খঙই। ফীভমসি খঙহন্দুনা মীয়াম চেকশিন্না অনা-অয়েক লৈতনবা কন্না হোৎনবা তঙাইফদে। পেন্দমিক অসিগী লুরবা চৈরক অসিদা ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসিদদি থা খরা অসিগী মনুংদা ইলেক্সন তৌগনি হায়দুনা মীয়াম পুনবা অমদি কেম্প্যেননচিংবা চত্থরক্লি। মফম খরদদি খৎন-চৈনবগী থৌদোক ৰাথোক থোকপগী পাউ মীয়াম্না তানরি, উনরি। উরিবা মতৌ অসিদা কোভিদ পেন্দমিক অসি লৈতবগুম য়াম্না লায়না লৌনরি। মসিমক তুংদা অফবা পোলোই ওইরক্কনি হায়বসিদি থাজবগী ৰাংমদনি।

ইলেক্সননি হায়দুনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসি য়াম্না তমথীবা লায়না অমনি হায়বসি কাউনবগুম তৌরি। মী পুনবা হেল্লিবমখৈ কোভিদ শন্দোকপা হেল্লি হায়বসি ঐখোয় পুন্বনা তারবা, উনরবা অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা অচৌবা শেনফম কয়া কায়থোক্তুনা লায়না-লাইচৎ অসিগী মরী লৈনবা ৰাফম কয়া মীদিয়াগী খুথাংদা পাউজেল কয়া পীরিবনি। ইলেক্সন মনুংদা কোভিদ-১৯ অসিদগী চেকশিনহৌদ্রবদি ইলেক্সন মতুংদা হেন্না শোকহৌগদৌরিবসি নোংম-নোংমগী অফং-অফংবা শুরগা চারিবা লমদম অসিগী মীয়ামদদি কা হেন্না অৰাবা পোৎলুম অমগা অমুক কোকথক্তা ননবগী থৌওং শোয়দনা লাক্কনি। লৈঙাক অসিনা অফবা মখলগী থৌশিল পায়খৎতুনা লমদম অসি কলহৌনবগী পোরম য়াৎপা চঙই৷ মীখল তৌদুনা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমগদৌরিবা অসি লমদম অসিবু অওনবা, অহোংবা খরদা ওইরবসু পুরক্কবনি হায়বসি কেন্দিদেট ওইবশিংনা খঙজিনবীদুনা লমদমসিগী মীয়াম্বু অচুম্বা অশেংবা লম্বেল অমদা পুবীবগী ৰাখল্লোন থম্বীরগা অমদি কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিদগী মীয়াম্বু শাফননবা অমসুং কলহৌবা ঙম্ননবা পুন্না খোঙথাং লৌখৎমিন্নবা চঙই। লমদম অসিগী মীয়াম্বু এম এস এফনা মমল ৰাংনা লৌজে। মরম অসিনা ইলেক্সন কেম্প্যেনগা মরী লৈননা মমাংঙৈগী মতৌগুম চাকচা-হৈজান্নবা তৌবীগনু। মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা লাক্লিবা মীখল অসিগী মতাংদা য়াম্না সাইন্টিফিক ওইনা নৈনদুনা মীয়ামদা করি করম্বা এদভাইস পীবা য়াই হায়বদু শেম-শাবগী তঙাইফদবা লৈ। ইলেক্সন কেম্প্যেনগীদমক মীওই চবুল চবুল পুল্লবদি লায়না অসি শন্দোকপা হেল্লগনি হায়বসি মশানা তারবা ৰাফমনি। ইন্দিয়াগী ওইনা অনৌবা রিপোর্টকী মতুংইন্না পুং ২৪দা পোজিটিভ কেস ১০৯২৯ থেংনবগী পাউসু লৈরিবনি। শেল-থুমগী ফীভম কা হেন্না শোকচিল্লক্কবা মণিপুরগুম্বা লমদম অসিদদি কা হেন্না হরাও কুম্মে অমদি ইলক্সেনদা চাউরবা শেনফম কয়া থাদদুনা অরেম্বদা শেল লোইশিনবগী মহুৎ চেকশিন্না শীজিন্নবা তঙাইফদে।

পেন্দমিক অসিনা মরম ওইরগা ইরমদম অসিগী থবক শুফম অমদি শেন্মীৎলোনদা চৈথেং চাউনা পীরিবনি। থবক শুফম-নোম্ফমগী মওং মতৌ হোংলকপদগী মীওই কয়া থবক শুফম-নোম্ফম খঙদদনা লাঙ্গেংনরিবনি অমদি মসিনা ইমুং-মনুং মৈশা লাংবা, পূক্নিং ৰাখল শোন্থরক্লিবনি। ফীভম অসিদা ঐখোয়না নিঙাইদনা লৈথোকপা হায়বসি তুংদা মীয়ামদা অৰাবা মায়োক্নরক্কনি। পেন্দমিক অসিনা মরম ওইদুনা লোকদাউন মতম শাংনা থমখিবদগী অৰাবা মায়োক্নরিবা অমদি অশি-অনা কয়া থোক্লিবশিং অসি পোলিটিসিয়নশিংনা উফম থোকই।

লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা মীয়ামগী লিদর ওইগনি হায়না থোরক্লিবশিংনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌরক্কনি হায়বা এম এস এফকী থাজবনি। ইলেক্সন থেংনদুনা লিদর ওইগে খল্লিবা কেনিদদেটশিংনা ইলেক্সন কেম্প্যেনদগী হৌনা থমজরিবা ৰাফমশিং অসি মীয়াম্না খল্লগা ঙাক্লা চৎলক্কনি থাজে। কোভিদনা শোকহল্লিবা অসি মরুওইনা নোংমগী চরা তাল্লিবা মীওইশিংনি। মরম অসিনা পোষ্ট ইলেক্সনদা ওইরকপা য়াবা ফীভমশিং মাঙজৌনন্না নৈনবা চঙই। মমাঙদা কোভিদ নাবা হেনগৎলকখিবগী মরমসি মীয়াম পুনবদগীনি। অদুনা মীয়াম পুনবা হায়বসিগা ইলেক্সনগা য়াম্না নক্কবা মরী লৈনৈ। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা ফীভমসি নৈনবীয়ু। লায়না লাইচৎ অসিগী এস ও পিশিং ফজনা ঙাক্লবা শীনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঙমখৈগী চয়েৎনবা লোইশিন্দ্রিঙৈ বি পি ৮১ তম্না এলাইনমেন্ট তৌশিল্লক্লিবা করিগীনো?

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): ঙমখৈগী চয়েৎনবা লোইশিন্দ্রিঙৈদো বোর্দর পিল্লর (বি পি) ৮১ তম্না হৌজিক হৌজিক এলাইনমেন্ট তৌশিল্লক্লিবা করিগীনো হায়না হুং শিদবা লাইনিংকোলগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হুং শিদবা লাইনিংকোলগী প্রসিদেন্ট ওইনাম পুলেম্বা খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরগী চয়েৎনবা লোইশিন্দ্রিঙৈ মরকসিদা হৌজিক হৌজিক বোর্দর পিল্লর ৮১দা এলাইনমেন্ট তৌশিল্লক্লিবা অসি ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক অনীগী মরক্তা লৈবাকসিগী মীয়াম খঙহন্দনা লোন্না য়ান্নবা লৈরব্রা। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুর মীয়ামগী অনীংবগী মায়োক্তা তৌনিংবতা তৌবদা মণিপুর লৈঙাকসু তুমীন্না অসুম্মক লৈশিল্লগদ্রা। হৌখিবা কুমজা ২০১৮দা সেন্ট্রেল সর্ভে টিমনা য়েৎনরিবা বোর্দর পিল্লর য়েংশিনবা লাকপদা মণিপুরগী মীয়াম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌওংবু য়ানিংদে অমদি ইরমদমগী লম মচেৎ অমত্তা মাঙবা য়ারোই হায়বা চপ চাবা ফিরেপ অদু ময়েক শেংনা উৎতুনা খঙহনখ্রবনি। মসিদা মণিপুর লৈঙাক্নসু ইরমদমসিগী ইহুল খঙনা থবক পায়খৎপীয়ু। বোর্দর পিল্লর ৰাথোক্কী মতাংদা অচুম-অরান য়েংশিন্ননবা শেমখিবা ঙসিগী বি জে পি লৈঙাক্কী হায় লেভেল পৰার কন্মিটি কদায়দা চৎখ্রবগে। মতম চারিঙৈদা থোকপীরকউ অমসুং চপ চাবা পায়খৎফম থোকপা থবক অদু পায়খৎপীয়ু।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হান্না পাল্লম্বা অমসুং হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্লা চপ চানা য়েংশিনবগী থবক তৌরল্লবদি হৌজ-থেঙ্খাং কয়াদা লম মচেৎ-মচেৎ ম্যান্মারনা লৌশিল্লম্লিবা অসি লৌশিল্লমদবা য়াই। হৌজিক ইন্দিয়াগা লৌতুনবা মানবা থৌওংদা ম্যান্মারনা লম লৌশিন্ননবগী থৌরাংদা লমদম অসিগী মীয়ামদা চমম্নবা ফাওহল্লিবসি মতম খর লৈরগা বাউন্দরি পিল্লরনি অমুক হায়, খরা লৈরগা অমুক সিকুরিটি পিল্লরনি অমুক হায় তৌদুনা তোয়না পিল্লর য়ুংশিনফম অমসুং হোংদোক-হোংজিন তৌফম থোকপ্রা। কুমজা ২০১৮গী হৌরকপা অদুৰাইদা কংলৈপাক্কা তায়নবা ঙমখৈ পরিংদা সব-বোর্দর পিল্লরনি হায়দুনা য়ুংশিল্লকপদা লৈবাক ৰাথোক ওইখি। অসিগুম্বা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙদবা চয়েৎনবা থৌদোক ওইনা তৌদুনা লমদমসিগী মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা অমসুং খঙহনবা লৈতনা দেল্লীনা নম্ফুন্দা লম্বী শেমদুনা ফেন্সিং খাবা হৌখ্রে। কংলৈপাক (মণিপুর) মীয়াম্না ঈরাং হৌরক্লগা অমুক থবক লেপ্পা, ঈরাং অমুক নেমথরগা ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার লৌতুনরগা থবক মখা অমুক চথবা অসুম্না তৌদুনা মেজিকেল টেক্টিষ্ট ওইনা নম্ফুন্দা কংলৈপাক্কী ঙমখৈ মফম খঙদ্রে। মসিদবু মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাকপু মীয়াম্না থাজবা লৈগদ্রা। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ইপা-ইপুনা থল্লম্বা লমখৈ মাঙবা য়ারোই, ষ্টেটসিগী ঙমখৈগীদমক চপ চানা লেপকনি হায়না কুমজা ২০১৮গী জুন ২৬তা ব্লেক দে ওফ দিমোক্রেসিগী থৌরম অমা বি জে পিগী ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপদা লাউথোকপীখি। মদুমক ঙাক্লা চৎপীয়ু। হৌজিক ফোং-ফোং শানা ঙমখৈগী চয়েৎনদুনা ৰাথোক ওইরিঙৈ চৈরকসিদা গোভজাং অমসুং বোলজাং খুল বোর্দর পিল্লর ৮০, মোরে টাউন মনাক্তগী বোর্দর পিল্লর ৮১, ক্বাথা তম্না বোর্দর ফেন্সিং তৌনবা লম্বী শেমজিল্লক্লিবা অসিদা চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং করি লৈরিবগে অমসুং মদুগী পাউদম অমত্তা মীয়ামদা ঙসি ফাওবা খঙহনবা লৈত্রি। ৰাফমসিগী মতাংদা ঙসিগী লৈঙাক অসিনা করি থৌরাং পায়খৎপা লৈরবগে। মণিপুর লৈঙাক্লা অয়াবা পীব্রা নৎত্রগা দেল্লীগা লৌতুনরগা থবক অসি চত্থহনবরা নৎত্রগা দেল্লীনা করি হায়রক্কনি কিবদগী ৰাফম অমত্তা কাংথোকপা ঙমদবরা, ঙমখৈগী চয়েৎনরিবা ৰাফমসিগী মতাংদা লমদমসিগী মীয়াম্না লৈবাকসিগী অঙম-অথৌশিংদগী চপ চাবা ৰাফম অমা খঙবা পামজৈ অমসুং ঐখোয় পুন্নমক্না ঙমখৈ কনমিন্নসি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তনা ফোঙদোরক্লি।

সাইলেন্দ্র ষ্টেট সেক্রেটরি হাপখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): হৈঙাং এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিদগী ৱাইখোম সাইলেন্দ্র মীতৈ ভারতিয়া নেসনল জনতা দল মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি ওইনা হাপখ্রে। সাইলেন্দ্রবু ভারতিয়া নেসনল জনতা দল মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট সাপম ওপেন্দ্রোনা থোকখিবা ওর্দর অমনা ষ্টেট সেক্রেটরি ওইনা হাপখিবনি। সাইলেন্দ্র ভারতিয়া নেসনল জনতা দল মণিপুর ষ্টেটকীদমক অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবসু লৈ হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): ফেদরেসন ওফ হাওমিগী জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা থৌপুরম্বা উরিপোক বাচস্পটি মনিং লৈকায়দগী হুইরেম মুকুন্দো মীতৈনা ঙরাং অয়ুক লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিগী প্রসিদেন্ট সাপমচা জাদুমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হুইরেম মুকুন্দো ফেদরেসন ওফ হাওমিনা শাফোঙবদগী ঙসি ফাওবা মীয়ামগী থবক তৌবদা মপুকচেল শেংবা, মতম নাইবা, য়েলহৌ, য়েক-সলাইবু নুংশিজবা অশেংবা কংলৈ মপারীনি। মহাক লৈঙাক্কী স্কুল অমা ওইরিবা উরিপোক তোন্দোস্না স্কুল মুখৎলগা রাম কৃষ্ণ মিসন স্কুলদা মমাঙগী লৈঙাক্ল। শুপ্নগী লুপা ১দা য়োম্বোকখিবগী মায়োক্তা ঈহৌ কয়া শাগৎখিবা লুচিংবনি। মহাক্কম্বা ইরৈপাক ইরমদম অসিগী কখোকপা ঙম্বা মীওই অমা মাঙজবসি ফেন্দরেসন ওফ হাওমিদা নত্তনা মণিপুর মীয়ামগী মাঙজবনি। ফেন্দরেসন ওফ হাওমিনা ঙসি অয়ুক খুদক্কী ওইবা মীফম অমা ফমদুনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লাইরম্লেন্দা লৈহনবীয়ু হায়না তাইবংপান শেম্বা মপুদা খুরুমজখ্রে হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

তোকখিবা লৈতে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): সোরাদগী সী পি আইগী ৱার্কর ৮০ তোক্লগা আই এন সীগী ইন্টেনিদং কেন্দিদেট অমদা শৌগৎলে হায়না মীদিয়াদা ফোঙদোরকখিবা অদু অরানবা ৰাফমনি। ঙসি ফাওবদা সী পি আইগী মেম্বর অমফাওবা তোকখিবা লৈতে। অসিগুম্বা ওইদবা ৰাফম কয়া ফোঙদোকপা অসিনা মীখলদা করিমত্তা কান্নবা, ওইজবা ফংলোই। মতুংদা অসিগুম্বা য়ুম্ফম য়াওদবা পাউ অসি ফোঙদোকপীগনু হায়নসু সী পি আই ককচিং লোকেল কাউন্সীলগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লেম্না লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): কোভিদনা মরম ওইদুনা অনা-লায়েংগী লমদা থেংনরিবা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাদবা কয়া অসিবু খরদা ওইরবসু কোকহন্নবগী পান্দমদা হিয়াংলম গ্রাম পঞ্চায়টনা প্রতিমা দাইগ্নোসিস সেন্টর অমদি এস দি ও ক্লব হিয়াংলমগা খুৎশম্নদুনা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

হিয়াংলম লাই পাঙনবদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা হেল্থ কেম্প অদুদা তোঙান তোঙানবা ডোক্তরশিংনা মীওই ৪০০ রোম লেম্না লায়েংদুনা হিদাক লাংথকসু লেম্না পীখি। ঙসিগী কেম্প অদুগী মতাংদা প্রতিমা দাইগ্নোসিস সেন্টরগী প্রোপ্রাইটর এলাংবম প্রতিমানা, হেল্থ কেম্প অসি হৌজিক ষ্টেট অসিদা অনা লায়েংগী লমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি খরদা ওইরবসু কোকহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। লোয়ননা মখা তানসু অসিগুম্বা কেম্প অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোকখিগনি হায়খি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): সেলিন দিজিটেলনা লেপ্তুনা চত্থরকপা কোভিদ-১৯ এৱ্যের্নেস কম পোষ্টর কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি রিমস গেটতা পোৎফম ফল্লিবা অমদি পোৎ লৈবা লাক্লিবশিংদা কোভিদ-১৯গী মরমদা ৰাখল তামিন্নবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী পোষ্টর কয়া য়েম্বোক্তুনা পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা হায়খিবদা, ঐখোয় কোভিদ-১৯ লাইচৎকা লোয়ননা হিংলি হায়বা খঙনা খঙনা চেকশিনবা ৰাৎপগী মমি তারিবা অসি অফবা খুদম নত্তে। ঐখোয় খূদিংমক লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পি নীংথিনা ঙাকমিন্নদুনা লাইচৎ অসি থিংমিন্নবা মথৌ তাই। হৌজিকমক্কী ওইনদি চেকশিনমিন্নবা হায়বসিনা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকচনবা পাম্বে ওইরি হায়খি। কেম্প্যেন অদুদা সেলিন দিজিটেলগী আর ও, এস শান্তি শর্ম্মা; এফ পি ও, কে এস ঐচ জেমস অমসুং এগজিক্যুটিভ মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সলাম রোহেন্দ্রোনা ইন্দিভিজ্যুএল কেটগোরিদা ঙা খ্বাইদগী য়াম্না পুথোক্তুনা অহানবা পোজিসন তাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী ফিশরিজ দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা হৌখিবা নবেম্বর ৫দা মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোকখিবা এন্যুএল ফিশ ফ্যের কম ফিশ ক্রোপ কম্পিটিসন ২০২১গী রিজল্ট ঙসি লাউথোকখ্রে। সলাম রোহেন্দ্রোনা ইন্দিভিজ্যুএল কেটগোরিদা ঙা খ্বাইদগী য়াম্না পুথোক্তুনা অহানবা পোজিসন তাখ্রে।

ফিশরিজগী দিরেক্টর ঐচ বালকৃষ্ণনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা এন্যুএল ফিশ ফ্যের কম ফিশ ক্রোপ কম্পিটিসন ২০২১গী রিজল্ট অদু লাউথোকখিবনি। নোটিফিকেসন অদুগী মতুংইন্না হাইয়েষ্ট প্রদ্যুসর ইন ইন্দিভিজ্যুএল কেটগোরিদা ঙা কিলোগ্রাম ২৫,৬০১ পুথোকখিবা লফুপাৎ তেরাদগী সলাম রোহেন্দ্রোনা অহানবা, ঙা কিলোগ্রাম ১৩,১৯৩ পুথোকখিবা খোর্দাক্তগী নিংথৌজম বসন্তনা অনীশুবা অমসুং ঙা কিলোগ্রাম ১১,৪৫৬ পুথোকখিবা থাঙ্গদগী অশোক তোংব্রমনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। হাইয়েষ্ট ইন্দিজিনস ফিশ প্রদ্যুসরনা য়েলহৌ ঙা কিলোগ্রাম ৫৩৫৮ পুথোকখিবা খোর্দাক্তগী নিংথৌজম বসন্তনা অহানবা পোজিসন তাখি। কম্পিটিসন অসিগী কন্সোলেসন প্রাইজ ফংখ্রবশিংনা ঙা কিলোগ্রাম ১১,৩৮৫ পুথোকখিবা হৈঙাং মখা লৈকায়দগী ঐচ রঞ্জিৎ, ঙা কিলোগ্রাম ৪৬০০ পুথোকখিবা থাঙ্গদগী এন নিলাচন্দ্র, ঙা কিলোগ্রাম ৩৭৫০ পুথোকখিবা নম্বোলদগী এন প্রেমকুমার, ঙা কিলোগ্রাম ৩৪০০ পুথোকখিবা খামেনলোক্তগী প্রেজিং জিমিক, ঙা কিলোগ্রাম ৩১৫০ পুথোকখিবা খোর্দাক্তগী ও রমানন্দ, ঙা কিলোগ্রাম ৩০৯৭ পুথোকখিবা কৈরেনফাবীদগী ঐচ রবি, ঙা কিলোগ্রাম ২৮৫০ পুথোকখিবা উপোকপীদগী টি ঐচ প্রেমলাতা, ঙা কিলোগ্রাম ২৬২০ পুথোকখিবা খোর্দাক্তগী ও জয়, ঙা কিলোগ্রাম ২৫০০ পুথোকখিবা নম্বোলগী অমকচম সুরেশ, ঙা কিলোগ্রাম ২২৬০ পুথোকখিবা এস গাংপিজাংদগী খাইনে হাওকিপ, ঙা কিলোগ্রাম ২২৫০ পুথোকখিবী নিংথৌখোংদগী এল পিশক, ঙা কিলোগ্রাম ২১৬০ পুথোকখিবা শামুশঙদগী কে ঐচ রাকেশ, ঙা কিলোগ্রাম ২০০০ পুথোকখিবা কামেংদগী এল পুর্না, ঙা কিলোগ্রাম ১৯৫০ পুথোকখিবা মাও তফাওদগী এল অদাফ্রো, ঙা কিলোগ্রাম ১৮০০ পুথোকখিবা বিবেংনোমদগী এস কুলা মঙাং, ঙা কিলোগ্রাম ১৭৯৭ পুথোকখিবা কাজিফুং ভিলেজদগী কৈফা অখাম মরিং, ঙা কিলোগ্রাম ১৭৫০ পুথোকখিবা লাংমৈদোংদগী ৰাই রোমিও, ঙা কিলোগ্রাম ১৭৫০ পুথোকখিবা ৰাবগাইদগী এম বিমোলচান্দ, ঙা কিলোগ্রাম ১৭৩৪ পুথোকখিবা খৌপুমদগী পান্তিজেক মলাংমৈ অমসুং ঙা কিলোগ্রাম ১৬৪০ পুথোকখিবা জাফৌদগী এন এল মেলনিনি।

দিষ্ট্রিক্ট ওফিসরশিংগী মরক্তগী ঙা খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকখিবদা ভেলিগী ওইনা ঙা কিলোগ্রাম ৪২,৬৩১ পুথোকখিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি এফ ও, ও জিবনলাতানা অহানবা পোজিসন তাখি। অদুগা ঙা খ্বাইদগী পুথোকখিবা হিলগী কেটগোরিদনা ঙা কিলোগ্রাম ৪৮২১ পুথোকখিবা চুড়াচান্দপুরগী দি এফ ও, ঈ রামেশ্বরনা অহানবা পোজিসন তাখি।

এন্যুএল ফিশ ফ্যের অসিদা ঙা কিলোগ্রাম লিশিং ৯০ পুথোক্ননবা টার্গেট তৌবদা ঙা কিলোগ্রাম ১,২৪,৫৪০ পুথোকখি হায়নসু নোটিফিকেসন অদুদা পল্লি।

য়ুম-য়ুমদা চঙদুনা চৎপা ঙমদবা অনাবশিংগী হেল্থ চেক-অপ তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): সী এমগী হেল্থ ফোর ওলগা মরী লৈননা খুন্দ্রাকপম এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা ডা. ক্ষেত্রিময়ুম কলানা এ সী অসিগী মনুংচন্না লৈবা পুখাও নহারুপ, পুখাও তেরাপুর অমদি কৈবী খুল্লেনদা লৈবা চৎপা ঙমদ্রবা অনাবশিংগী য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা হেল্থ চেক-অপ তৌখ্রে।

চৎপা ঙমদবা অনাবশিংগী য়ুম-য়ুমদা হেল্থ চেক-অপ তৌখিবা অদুদা পুখাও নহারুপগী অশা ৱার্কর মোইরাংথেম রঞ্জনা অমদি কৈবী খুল্লেনগী অশা ৱার্কর অবুজম ইবেথোইনা মতেং পাংখি। লোয়ননা অনাবশিংদা ব্লদ প্রেসর অমদি ব্লদ সুগরসু চেক তৌখি। লোয়ননা মথৌ তাবা হিদাক লাংথকশিংসু লেম্না পীখি।

পুখাও নহারুপ, পুখাও তেরাপুর অমসুং কৈবী খুল্লেনদা লৈবা চৎপা ঙমদ্রবা অনাবা ৪০ রোমবু য়ুম-য়ুমদা চঙদুনা হেল্থ চেক-অপ তৌখিবা অদুগা মরী লৈননা ডা. ক্ষেত্রিময়ুম কলানা হায়খি, য়ুমদগী মপান থোকপা ঙমদনা ফমুংদা হিপ্তুনা লৈরিবা অনাবশিং অসি ঐখোয়না মতম চুপ্পদা য়েংশিনবীগদবনি অমদি মখোয়গী হকচাং ফনা থন্বা হায়বসি ঐখোয়গী তৌদবা য়াদ্রবা ইথৌনি। মীপুম খূদিংমক্লা সী এম ঐচ টিগী কার্দ নৎত্রগা আয়ুশমান ভারতকী হকশেলগী কার্দশিং শাবীয়ু লোয়ননা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লনবা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙম্ননবগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা হৌদোক্লিবা স্কিমশিংগী কান্নবা মীয়াম্না লৌবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

শক্তি কেন্দ্রগী মীফম পাঙথোকখ্রে

BHARATIYA JANATA PARTY

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): ১২শুবা মণিপুর এসেম্বলী ইলেক্সনদা শুগুনু এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ অমা শুংশোয় শোয়দনা মায় পাকহন্নবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল এৱ্যের্নেস থৌরম অমগা লোয়ননা পোল্লিং ষ্টেসন মরি ৩৯/১২ পাঙনতাবী, ৩৯/১৩ পাঙনতাবী, ৱাংজিংখুনৌ, ৱাঙু মমাঙ সাবল অমদি কোর্শান্তাবিগী শক্তি কেন্দ্রগী মীফম অমা ঙসি পাঙনতাবী ময়াই লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

বি জে পি শুগুনু মন্দলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর এসেম্বলী ইলেক্সনদা শুগুনু এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ৭, এম বিনোদ, থিংনাম ইবোমচা, কে ঐচ ইবোয়াইমা, ৱাই জিবন, এস বিরলা, ডা. কে মুক্তাসনা অমদি কে ঐচ শরত, বি জে পি শুগুনু মন্দলগী প্রসিদেন্ট এ ইবোতোম্বী, জেনরেল সেক্রেটরি এন ওজিৎ, শুগুনু ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ৱার্দ নম্বর ২গী কাউন্সীল্লর এম এম ননাও অমদি সোসল ৱার্কর কে ঐচ রঘুমনিনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

পোলিটিকেল এৱ্যের্নেস অদুদা শুগুনু এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী কেন্দিদেট ওইগনি হায়না থৌরাং তৌরিবশিংনা হন্দক্কী লাক্কদবা ১২শুবা মণিপুর এসেম্বলী ইলেক্সন অসিদদি বি জে পিগী টিকেট পায়রকপা মীওই অদুদা অমত্তা ওইনা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা শেল য়াওনা অঙম্বা থৌদাং কয়া লৌমিন্নদুনা শুংশোয় শোয়দনা মায় পাক্কনবা হোৎনমিন্ননবগী মতাংদা ৱাঙাংলোয়শিংনা চপ মান্নবা ৰাফমশিং ফোঙদোক্কখি।

বি জে পি শুগুনু মন্দলগী প্রসিদেন্ট এ ইবোতোম্বীনা পার্টিগী লুচিংবশিংনা বি জে পিগী টিকেট পীরকপা মীওই অদুদা হন্দক্তি এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীয়াম পুম্নমক্কসু বি জে পিগী এম এল এ অমা এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সি অসিদগী থাগৎলসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ওল্ড এজ হোমদা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): কাইন্দনেস মণিপুরনা শীন্দুনা লাংজিং অচৌবদা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা ঙরাং নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এ যসোবন্ত শর্ম্মনা চীফ গেষ্ট, ওল্ড এজ হোম লাংজিং অচৌবগী চীফ ফঙ্কসন্নরি নিঙোম্বম রানিবালা লৈমা, হেক্সকী প্রোপ্রাইটর সী ঐচ সঞ্জয়, দাইটকী প্রোফেসর আর কে সচিরঞ্জন, ইরমদম ইনফ্রা মণিপুর প্রাইভেট লিমিটেদকী প্রোপ্রাইটর সুরজ অধিকারিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টেটিষ্টিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ কে এস ঐচ আনন্দনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা কাইন্দনেস মণিপুরগী সেক্রেটরি রিশি অধিকারিনা ফোঙদোকখিবদা, কাইন্দনেস মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অসি হন্দক্কী অসি থারগা অনীরকশুবনি। মমাঙ চহীদগী হৌদুনা কোভিদ লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা হরাও কুম্মৈ অমত্তা নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমদনা লাকপনি। হন্দকসু নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমদবা অসি লাইবক থীবনি। অদুবু পীক্লবসু পীক্লা অহল-লমন, ইমা-ইবেল অমদি ইচে-ইচলশিংগা চাক চরা অমা চামিন্নদুনা মচা, মবুং, মৌপ্পা অমা ওইবগী থৌগল ফংজবা অসি অপেনবা পোকই। ঙসি অহল ওইরবা ইমা-ইবেল ৩৫দা মচা অমা ওইবগী থৌদাং লৌদুনা নিঙোল চাক্কৌদুনা খুদোলপোৎ পীবা ঙম্বা অসি মতুংদসু ঙম্বা ওইজগে হায়খি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা এ যসোবন্ত শর্ম্মনা হায়খি, কাইন্দনেস মণিপুরনা শীন্দুনা পায়খৎলক্লিবা থবক অসি য়াম্না ফবা থবক্লি। ঙসিগী লৈরিবা নহাশিংনা শোঞ্জিল্লক্লবা অহলশিংবু লুনা তৌবীবা মথৌ তাই। মরমদি ঙসি ঐখোয়না তাইবংপানগী মহাও ফংলিবা, মতিক চাবা মী ওইবা ঙম্লিবা অসি মখোয়গী থৌজালদগীনি। মখোয়বু লুনা চান্না তৌদুনা থন্বীবা অসি ঐখোয় পুন্নমক্কী ইথৌনি। লৈঙাক্লা অহল ওইরবশিংগীদমক পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী মখাদা পীরিবা তোঙান তোঙানবা কান্নবশিং দিপার্টমেন্টকা তান্নরগা অথুবা মতমদা ফংহন্ননবা হোৎনরগনি। ওল্ড এজ হোম অসিসু মপুং ফাবা হোম অমা ওইননবা হোৎনরগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): য়ুথস ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস (ৱাই এফ পি ঐচ আর) মণিপুর অমসুং সেন্টর ফোর রিছার্স এন্দ এদভোকেসি (সী আর এ) মণিপুরনা শীন্দুনা ক্লাইমেট চেঞ্জ ইন মণিপুর এন্দ সী ও পি ২৬ হায়বা হীরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লোক্তাক ফিশরি ৱেলফ্যের এসোসিএসন মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি হৈস্নাম চাওবা, ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ গোপেন অমসুং পিপলস ফোর হ্যুমেন রাইটস এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী কো-কনভেনর ফামিলা তুইথুংনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা সেন্টর ফোর রিছার্স এন্দ এদভোকেসি মণিপুরগী সেক্রেটরি জিতেন য়ুম্নামনা হায়খি, মণিপুরদা ক্লাইমেট চেঞ্জকী শাফু অসি য়াম্না চাউনা ফংলি। মরুওইনা নোংজু-নুংশা অসি চাং নাইরক্তবা অমদি তম্বা ঙল্লক্তবনা মরম ওইদুনা লৌউ-শিংউগী থবক্তা চাউনা অকায়বা পীরক্লি। অঙীং-অশা অমদি নোংজু-নুংশাদা লাক্লিবা অহোংবা কয়া অসিনা লৌউ-শিংউদা তোঙান তোঙানবা লায়না তীন্না কয়া লাকপা থেংনরি। মণিপুরদা চাউখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা প্রোজেক্ট নৎত্রগা পোলিসী কয়া পায়খৎত্রিঙৈদো ক্লাইমেটতা চৈথেং পীরক্কদ্রা হায়বদু হান্না খন্থমিন্নহৌসি। চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎলকপা মতমদা লমদম অসিদা পীরিবা চৈথেংশিং অসি খঙমিন্নবসু মথৌ তাই। লৈনুংদগী থাউ চিংথোকপগী থবক তৌরকপা অসিনা তুরেল, চীং, পাৎ অমদি মীয়ামগী হিংনবগী মফম অসি তপ্না তপ্না মাঙশিল্লকপগী মরম অমসু ওইরি। মরম অদুনা চীং, পাৎ, তুরেল অসি মাঙখিবা মতমদা মীয়ামগী পুন্সিরোলদা অৱা চৈথেং পীরক্কনি। মরম অসিনা চাউখৎপগী মিংদা অচৌবা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলকপা মতমদা মীয়ামদা অমদি ক্লাইমেটতা শোকহল্লক্কদবশিং অদু পুম্নমক্লা খঙমিন্নবা চঙই। মসিগীদমক ঙসিগী খন্ন-নৈনবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।